ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল শরুক য়াবা লাকপা ম্যান্মারগী মীতৈশিং হোদাম লৈরক ক্লব অমসুং কৈশামথোং হোদাম লৈরক য়ুমজাও লাইরেম্বী মৈরা পায়বী নুপী কাঙলুপনা ওকপা

লামায় ১

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা নৌনা শাবা চাউখৎ থৌরাং কাঙলুপকী বিল্ডিং হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা শঙ্গাবা থৌরমগী শক্তম

লামায় ১

এম এস এফ দি এসগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মাখোনমনি মোংশাবনা দিরেক্সন পীবা ব্রভুরা ফিল্মসনা পুথোকপা অঙাংগী ফিল্ম *মাগী মতম্বাক্তা* রিলিজ তৌবা

লামায় ৩

ককচীং কৈথেলদা পাঙথোকখিবা তাসি মপাউ খঙমিন্নসি ঐখোয়গী থৌরমদা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলকখ্রবা পাউচে অসিগী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট নাওরেম গ্যানন্দ তরাম্না ওকপগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.243 নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈ ১৯নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, November 26, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

MEDITLANE

Medilane Ambulance number

8723004849

7085244123

7085396969

7005022100

These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident. Free AMBULANCE SERVICE for accident.

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ : ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসনগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদুনা ৱারেপ অহুমসু লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুদি এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিব বোদিনা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মেম্বর খুদিংমক্লা মতেং পাংবা, কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্লদৌরিবা এসোসিএসন অসিগী এন্যুএল ফঙ্কসনগী মফম অমসুং মতম এগজিক্যুটিব বোদিনা লেপ্পা মতমদা পুন্নমক্লা অয়াবা পীবা অমসুং মতেং পাংবা অমসুং এগজিক্যুটিব বোদিনা এসোসিএসন অসিগী ফন্দ দ্রাইব তৌবগী খোঙথাং খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা মতেং পাংবা হায়না লেপ্নখি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৪.৫৪ °c	০৮.৮৫ °c
চান্দেল	১৮.৫৭ °c	১০.৮২ °c
সীসীপুর	২৫.৭৮ °c	০৬.৮৬ °c
ইম্ফাল	২৭.৭৪ °c	০৭.৯৭ °c
সেনাপতি	২৫.৯৬ °c	০৭.৬৭ °c
তমেংলোং	২৭.০৬ °c	১০.৭৪ °c
থৌবাল	২৩.৪৬ °c	১০.০২ °c
উখ্রুল	২২.৫৪ °c	০৬.৮১ °c
মণিপুর	২৮.০৯ °c	০৬.৮১ °c

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ক পুং ৫.৩৮

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.134252
US Dollar	70.675130
British Pound	90.616729
Australian Dollar	51.160653
Chinese Yuan Renminbi	10.171877
Japanese Yen	0.625820
Malaysian Ringgit	16.849466
Australian Dollar	51.160653
Singapore Dollar	51.377622
South Korean Won	0.062406
Saudi Arabian Riyal	18.846701
Thai Baht	2.136193
Myanmar Kyat	0.04417
Bangladesh Taka	0.84142

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31379.68
Mumbai	–	Rs 32299.47
Delhi	–	Rs 32032.09
Kolkata	–	Rs 32502.67

HL POLL

Q : Myanmar gi army na ngamkhei lanshillakkhibagi thouong leingakki ashonbani haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Foubei mei tharambada chennabasing matik chaba cheirak piba ngamgani haibagi thajaba leibra?

Yes 35% No 65%

অস! লোইরেহে!

ইবেম্মা ঐসে,
আই এ এসনে আই এ এস!

ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯑꯩꯁꯦ,
ꯑꯥꯏ ꯑꯦ ꯑꯦꯁꯅꯦ ꯑꯥꯏ ꯑꯦ ꯑꯦꯁ!



ইরোম অশাজাও সিংহ ওইরমদনকো!

ꯏꯔꯣꯝ ꯑꯁꯥꯖꯥꯎ ꯁꯤꯡꯍ ꯑꯣꯏꯔꯝꯗꯅꯀꯣ!

ইম্ফাল-টুপুল রেলৱে লাইনগী থবক কুমজা ২০১৯ ফাওবদা লোইবা ঙল্লোইদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱেজ রাজেন গোহেননা ইম্ফাল-টুপুল রেলৱে লাইনগী থবক কুমজা ২০১৯ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু অপনবা কয়া লৈবনা রেলৱে লাইন অসি শেম-শাবগী থবক কুমজা ২০১৯ ফাওবদা লোইশিনবা ঙল্লোইদৌরি।

কিলোমিটর ১১১ শাংবা ইম্ফাল-টুপুল-জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্ট অসি লুপা ক্রোর ১৩,৮০৯ চঙনা শেমগৎকদৌরিবনি। রেলৱে লাইন অসিগী থবক কুমজা ২০০৮ দগী পায়খৎপা হৌখিবনি। রেলৱে লাইন অসি শরুক অনী থোক্লা থবক পায়খৎলি। ইম্ফালদগী টুপুল ফাওবা অমা অমসুং টুপুলদগী জিরিবাম ফাওবগী অমনি। টুপুলদগী জিরিবাম ফাওবগী ওইনা টনেল হুৎপগী থবকশিং অয়াম্বা লোইশিনখ্রে। ইম্ফালদগী টুপুল ফাওবগী মনুংদা লৈবা টনেলশিং হুৎপগী থবক হৌজিক কন্না পায়খৎলি।

চহী অসিগী জুন থাদা ইম্ফালদগী টুপুল ফাওবগী শরুক্তা লৈবা মিটর ৬৪১ শাংবা টনেল নম্বর ২ অমসুং মিটর ১২৮৯ শাংবা টনেল নম্বর ৪ হুৎপগী থবক লোইখ্রবনি। মরাং চীংদা লৈবা টনেল নম্বর ৩সু কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা হুৎপা লোইননবা হোৎনরিবনি। অদুবু ইম্ফাল-টুপুলগী শরুক্তা হুৎকদবা টনেল অয়াম্বা লোইশিনবা ঙমদ্রি। ইম্ফাল-টুপুলগী শরুক্তা খ্বাইদগী শাংবা টনেল ওইরিবা টনেল নম্বর ১২ হুৎপগী থবকসু হৌজিক-হৌজিক কন্না চথরি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাহৈবুং ভিলেজদগী হৌরিবা কিলোমিটর ৯.৩ শাংবা টনেল অসি হুৎপগী থবক কোষ্টেল প্রোজেক্ট লিমিটেদনা পায়খৎলি। টনেল অসি হৌজিক মিটর ২১০ রোম হুৎপগী থবক লোইখ্রে। টনেল অসি হুৎপগী থবক্তা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগীদমক কোষ্টেল প্রোজেক্ট লিমিটেদনা থৌনী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

কোষ্টেল প্রোজেক্ট লিমিটেদগী লায়জন ওফিসর প্রেমনা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল-টুপুল রেলৱে লাইনগী শরুক্তা খ্বাইদগী শাংবা টনেল অসি টনেল নম্বর ১২ না ওইরি। টনেল অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মায়কৈ অনীদগী হুৎপগী থবক চথরি। চাওরাক্লা মিটর ২১০ রোমগী চাংদা টনেল হুৎপগী থবক লোইরে। নোংমদা মিটর ৩/৩গী চাংদা মায়কৈ অনীমক্তগী হুৎননবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ট অসি অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি। অদুম্মকপু মতম-মতমগী ওইনা অপনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ওর্গানিক্কী য়াইঙং, শিং মপান লমদা য়োন্নবা এম ও এ খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদগী পুথোকপা ওর্গানিক্কী য়াইঙং (টর্মরিক), শিং (জিঞ্জর) য়াওনা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং মপান লমদা য়োন্নবা নাকল অহুমগী ওইবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট (এম ও এ) অমা ঙসি খূৎয়েক পীনখ্রে।

ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরগী ওফিস কাদা নাকল অহুমগী ওইবা এম ও এ অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী (এম ও এম এ), দাইওসিসন সোসল সর্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস) ইম্ফাল অমসুং রিভরবেকি (ও পি সী) প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাটিগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবনি। হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী মাংদা এম ও এ অদু এম ও এম এগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদট্ট, রিভরবেকি (ও পি সী) প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাটিগী দিরেক্টর প্রাজন কুমার রোই অমসুং দিওসেসন সোসল সর্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস) ইম্ফালগী দিরেক্টর এভিন্স এন্থোনি দিলবুংনা খূৎয়েক পীখি।

মণিপুরগী ওর্গানিক পোথোকশিং এম ও এম এগী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা কম্পেনিশিংগা এম ও এ ইনদুনা মপান লৈবাক অমদি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা য়োন্নবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থৌশিল অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মণিপুরনা স্পোর্টসতা মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইবগুম্না ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলমশিং পুথোকপদসু ষ্টেট অসিনা মাংজিল থাবা ঙম্মনবা হোৎনসি। মমাংদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদগী পুথোকপা কিহোমশিং মপান লৈবাকশিংদা এয়রলিফটিং তৌদুনা থাদোকখিবা লৈখ্রে। মখা তানসু দিপার্টমেন্ট অসিনা মপানগী ফার্ম খরগা অমুক মণিপুরদা ফংবা ওর্গানিক্কী শিং অমসুং য়াইঙংনচিংবা থাদোক্লবগী এম ও এ অমা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সীগা ইনরে। মণিপুরগী ওর্গানিক্কী শিং, য়াইঙং অমসুং উমোরোকনচিংবা পোথোক কয়া মপান লমদা য়োন্নবা রিভরবেকি প্রাইভেট লিমিটেদ গুৱাহাটি অমসুং দিওসেসন সোসল সর্ভিস সোসাইটি (দি এস এস এস)কা ঙসি খূৎয়েক পীনবনি। মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সীগী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গানিক্কী ফার্ম তৌবা ফার্মর কয়ানা পুথোরকপা কঙহল্লবা য়াইঙং অমসুং শিং মেট্রিক টন ১৫বু অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ফার্ম অনী অসিদা য়োনবা হায়না য়ানরে।

মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা তোঙান-তোঙানবা ওর্গানিক্কী পোথোক কয়া পুথোক্লনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। এম ও এম এনা লমদমসিদগী ওর্গানিক্কী পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লনবা থবক কয়া পায়খৎলি। লৌমীশিংনসু ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা হেন্না থৱায় য়াওবীয়ু। হৌখিবা মতমশিংদা লৌমীশিংনা পুথোকপা য়াইঙং, শিং অমসুং উমোরোক কয়া য়োনফম লৈতদুনা পৎলগা মাঙবগী অৱাবা অদু হৌজিক্তি লৈররোই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং থারিবা লমদমসিগী লৌমীশিংদসু পাংবা য়াবা মতেং পাংননবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফার্ম অনীনা লৈগদৌরিবা শিং অমসুং য়াইঙং অসি য়ুরোপকী লৈবাকশিং য়াওনা মপান লমদা থাদোকখিগদবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী লৈহাওদা থাবা শিং অমসুং য়াইঙং অসিদা তোঙানবা মহাও লৈবনা মপানগী লৈবাকশিংনসু য়াম্না পাম্নবা পোৎলম ওইগনি হায়না খল্লি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমুর ফেলকোন ‘তমেংলোং’ সোমালিয়া য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): রেদিও সেটিলাইট টেগ তৌরবা অমুর ফেলকোন অফ্রিকাগী সোমালিয়া য়ৌখিবগা লোয়ননা গল্ফ ওফ এদেন অমসুং ইন্দিয়ন ওসিনদা চাক্তাখ্রে। তমেংলোং হায়না মিংথোনবা লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেক অসি নুমীৎ মঙানিগা পুং ৮ লেপ্তুনা কিলোমিটর ৫,৭০০ লাপ্পা পাইদুনা নবেম্বর ২৪ গী নুংথিল পুং ১ দা সোমালিয়া য়ৌখিবনি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ততগী নবেম্বর ১৯ দা পাইখিবা লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেক অসি জি পি এস দেটা মতুংইন্না নবেম্বর ২০ দা ওরিষাগী নোংপোকথংবা সমুদ্র মপালদা পাইখি। নুমীৎ অদুমক্তদা উচেক অসিনা পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাংদা য়াংনা পাইখি হায়না উচেক অসিবু সেটিলাইটকী মতেংনা শেন্নরিবা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ২১ দা উচেক অসিনা লোংলেন কৌবা অতোপ্পা সেটিলাইট টেগ তৌরবা অমুর ফেলকোন অমগা লোয়ননা অরাবিয়া সী লান্না পাইবা থেংনখি। নুমীৎতুগী নুমীদাং পুং ৭.০৮ দা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না মতমদুদা তমেংলোংদি কিলোমিটর ৩,৫০০ লাপ্না পাইখ্রে হায়রি।

সেটিলাইট টেগ তৌরবা লোংলেননা ওক্টোবর থাগী ময়াই চল্লকপদা দিমাপুরদগী দেটা পীরকপা হৌরকখি। মফমদুদা থা অমরোম লৈরবা মতুংদা লৈবাক লান্না পাইরকপা উচেক অসি কিলোমিটর ৩০০০ হেন্না পাইখ্রে হায়বা জি পি এসকী দেটাদগী খঙবা ঙমখি। নবেম্বর ২৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা তমেংলোংনা সোমালিয়াদা থুংখিবগা লোয়ননা নুমীৎ ৫ নিগা পুং ৮ লেপ্তুনা পাইদুনা অরাবিয়ান সী লান্থোক্লগা কেনিয়া য়ৌখি।

লৈবাক লান্না পাইরকপা অমুর ফেলকোনগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঈথৈ লৌখোংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি : সী এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না ঈথৈ লৌখোংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা সঙাইথেল পার্কতা ঙসি বিজিনেস এক্সিলেন্স গ্রুপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা বি ঈ জি সঙাই ফেষ্টা ২০১৮ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিগী অখন্নবা মফম খরা খনগৎলগা দিসেম্বর ২ দগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মেকানাইজ ফার্মিংগী মতাংদা ট্রেনিং পীবা হৌরগনি। লৌফমদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা থৌবাল অমদি দোলাইথাবীগী প্রোজেক্ট অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরি।

মহাক্না হায়খি, ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা তরুকলকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবী এম সী মেরিকোমদা ষ্টেট লৈঙাক্না চানবা মিংথোন পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলগনি। মেরিকোমনা ষ্টেট অসিদা থুংলরবা মতমদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা চাউনা পাঙথোক্লগনি। করম্বা মিংথোন পীগদগে হায়বদুসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি। মেরিকোমনা মণিপুর অমদি লৈবাক অসিবু মালেমদা চাউথোকচনবগী মরম ওইহল্লে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, শক্লাইরবী বোক্সর অসিদা করম্বা মিংথোন পীগদগে হায়বদু ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগনি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েংখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা লুপা ক্রোর ২,৬০০ গী দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) অমা য়ুনিয়ন ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্ট্রি অমসুং এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফাইনান্স ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ কী নৌনা শাবা বিল্ডিং হেল্থ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা নৌনা শাবা *চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ* কী বিল্ডিং ঙসি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা নুংশিনবা অমদি ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্লদুনা অপূনবগী ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎপা চঙই। ঐখোয় পূনশিন্নদ্রগদি ময়ামগী ওইনা চাউখৎনবা তৌসি হায়বদা মায় পাক্লোই। লোকল এম এল এ অমা ওইনা তৌবা য়াবশিং অমদি মীয়ামগী অপূনবগী ওইবা হীরমশিংদা থবক তৌনবা মীৎয়েং চঙগনি। মফম অসিদা ক্লবকী বিল্ডিং লৈরগদি হায়না খন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈরে। অপূনবগী ওইবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হোৎনমিন্নরকখিবা অদুনা ঙসিগী ফীভম অসি লাক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী সেক্রেটরি ডা. হামোম নবনা হায়খি, পূকচেল চাওবা কয়ানা দোনেসন তৌরক্তুনা ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা শঙলেন অসি লোইশিনবা ঙমখিবনি। এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগীসু কাইথোকপীদুনা তুংগী ইচিল-ইনাওশিংগীদমক পায়খৎপীরক্লিবনি হায়নসু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ম্যান্মারদগী লাকপা মীতৈশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল শরুক য়াবা লাকপা ম্যান্মারগী মীতৈশিং ঙসি হোদাম লৈরক ক্লব অমসুং কৈশামথোং হোদাম লৈরক য়ুমজাও লাইরেম্বী মৈরা পায়বী নুপী কাঙলুপনা ওকখ্রে।

এক্ট ইষ্ট পোলিসি কম্মিটি গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফালগী হোদাম লৈরক ক্লবতা পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা কম্মিটিগী কনভিনর আর কে শিবচন্দ্রনা হায়খি, চহী খরা অসিদা এক্ট ইষ্ট পোলিসি মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোক্লি। মী অমগা অমগা ঈ-পাউ ফাওনবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলে। এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী থবক থৌরমশিংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মশামক্না থৱায় য়াওনা হোৎনরি। মরম অদুনা ফিভম অসি য়ৌরিবনি।

সঙাই ফেষ্টিবেল লাকপসিদা অতোপ্পা লৈপাকশিংদা লৈখ্রবা মীতৈশিংগা পুনশিনবা ঙম্মবা হোৎনরি। চহী ১০ মুক্কী মনুংদা মন্দলে, রেঙ্গুনদা লৈরিবা মীতৈশিংদা অচৌবা অহোংবা অমা উবা ফংলগনি। মসিগী কনেক্টিভিটি অসি লাকপা মতমদা লৈবাক অসিগী সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা খ্বাইদগী মমিং লৈবা, হীরম খুদিংদা মপুং ফাবা লৈবাক অমা ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা এ ইবোতোম্বী, এ শ্যামকুমার, টি ঐচ ইবোচৌনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ম্যান্মারদগী লাকপা মীতৈ নুপা অমসু নুপী পুন্না মীওই ২৫দা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

কংলাদা য়ুংলিবা সেকপীনশিং পরম চুম্না য়ুংহনখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): কংলাদা লৈরিবা ইবুধৌ পাখংবা অমসুং ইবেন্ধৌ লাইস্নাগী খূভম শঙলেন মনাক্তা অমদি অকোয়বা মফমশিংদা য়ুংলিবা সেকপীন (ছত্র)শিং ফুক্তুনা পরম চুম্না লাইথৌগা লোয়ননা য়ুংহনখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমসুং উকল অনীনা খূৎশম্নদুনা ঙসি কংলাদা লাকখিবগা লোয়ননা সেকপীন (ছত্র) য়ুংলিবশিং য়েংশিনখি। কংলাদা লৈরিবা ইবুধৌ পাখংবা অমসুং ইবেন্ধৌ লাইস্নাগী খূভম শঙলেনগী মনাক্তা য়ুংলিবা লাইগী ফিরাল সেকপীনদগী হৌরগা ফুক্তুনা অচুম্বা পরম নাইনা লাইগী ফিরাল ওইবগী মশক্তা শেমদোক্তুনা য়ুংহনখি।

ইবুধৌ পাখঙবা, ইবেন্ধৌ লাইস্না অনীদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌনী থৌরম পাংখিবা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাইহঞ্জবা থোকচোম রাধামুহোননা ফোঙদোকখিবদা, ইবুধৌ পাখংবা, ইবেন্ধৌ লাইস্নাগী মফমদা কোরৌ মালেম তম্না সেকপীন য়ুংলকপসি লানবা য়াদবা, কোরৌদগী হি-য়াই পূম্নমকসি মালেমদগী লাকই। অচুম্বা মওংদা তম্নবা থৌনী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। অরান-অহুই লৈরিবশিং তুংদা অমুক হন্না মচা-মনাইনা তৌদনবা মীয়ামদা খঙহনবনি। লাইগী ফিরাল সেকপীনগী মতোনদা ফিরাল থেৎলিবা অসি য়াদে। মরমদি পজেং ফিরাল থেৎপা কৌই। মসি য়াদবা অমনি। পজেং ফিরাল থেৎলু হায়বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নুপীনা খুন্নাইগী থবক থৌরমশিংদা মাঙজিল থারি : গভর্ণর

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): অৱাং নোংপোক লমদমদা নুপীশিংনা ইমুং অমদি খুন্নাইগী মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদদি নুপীশিংনা খুন্নাইগী থবক থৌরমশিংদা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী ওইবা থৌদাংসু লৌরি হায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা ৱিমেন ইন গভর্ণান্স, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া কনফরেন্স অমসুং এক্টিভিজম ওন জেন্দর বেজ ভাইওলেন্সকী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবদা গভর্ণরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম লেপহন্নবা কেম্পেয়ন চথবদা মশক নাইবী নুপী লুচিংবী, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর অমসুং নুপী এক্টিভিষ্ট কয়া শরুক য়ারকপগী মতাংদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অমসুং লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপীশিংনা হিরম অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরক্লিবসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইইনি।

ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবগী মতাংদা নুপীশিংবু মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবগী পান্দমদা কুমজা ২০০৯ দা ৱিমেন ইন গভর্ণান্সকী থৌরাং লৌখৎপা হৌরকখিবনি। মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলবী নুপীশিংগীদমক লেপ্লি হায়বা উৎপগা লোয়ননা নুপীবু হিরম খুদিংমক্তা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবগী পান্দমদা কনফরেন্স অসি পাঙথোকপনি। মালেমগী মফম পুন্নমক্তা নুপী-অঙাংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হেনগৎলকপগী ফীভমদা লৈরিবসি লাইবক থীবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা রাইট মান্নহনবা ঙমদবনা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হেনগৎলকপনি হায়না লৌবা য়াই।

মহাক্না হায়খি, মমাঙঙৈদগী হৌনা নুপীশিংবু ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯐꯥꯏꯅꯥꯟꯁ

IMPHAL FINANCE

CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.

Sangai Festival Stall মনুংদা লাকপীরগা Imphal Finance গী Defaulters (Bad Debt) ওইরবা Loanee শিংনা পৈশা শিংদোকপীবা তারগদি Interest 100% exempt তৌজগনি।

Book a ride 1800-345-3838

MANIPUR CAB 24X7

Toll Free 1800-345-3838

Sangai Festival য়েংবীনিংবা মীওইশিংনা Manipur Cab Service তা চৎপদা 50% Fare Discount পীজগনি।

মফমশিং:

* Keibul Lamjao * Lamboikhongnangkhong * Hapta Kangjeibung

- T & C Apply -

HL-P/5719/23/11-22/12

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫